**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবতা পাওমিনলেন হাওকিপনা ৱাকৎপদা লান্না শোই শারম্বগীদমক ত্রাইবেলগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিগী মীয়াম হিরম খুদিংমক্তা য়ামা হৈথোই শিংথোই অদুবু অমনা অমবু পুকিং থৌগৎনবগী মহুৎতা চিংথনবা হোৎনবা অসি লাইবক থিবনি।

৩) মোরেদগী লাঞ্জেন্নদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংতা লৈরিবা মীওইশিংগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা ঙসি উন্নখ্রে। মদুদা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবা হোৎনরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীরকখ্রে।

৪) ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) বঙ্গলাদেশতা মতম কক্তুনা করফিউ থমজিনখ্রে, সরকারনা নুমিৎ হুমি ছুতি লাউথোকখ্রে অমদি মোবাইল ইন্তরনেট থিংজিনখ্রে।

------

বিরেন (এল) ঃ নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইব (এন.সি.এস.টি)দা পাওমিনলেন হাওকিপ কৌবা মীওই অমনা ৱাকৎলকখিবা অদুদা লান্না শোই শারম্বগীদমক ত্রাইবেলগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা খরাম য়ুনিয়ন মণিপুর, খরাম পল্লেন ভিলেজ ওথোরিতি, ফেদরেসন ওফ হাওমী, লাইকোত ফাইজোল ভিলেজ ওথোরিতি, কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর, কোম ত্রাইব ওর্গনাইজেসন ভেল্লি অমদি কাংচুপ চিরু ভিলেজ ওথোরিতিগা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মণিপুরদা লৈরিবা মেজর ত্রাইবশিংগী শক্তম নমথনবা হোৎনরক্লে হায়বগী মতাংদা নুংনাংবসু মীওইশিং অদুনা মুখ্য মন্ত্রিদা ফোংদোক্লমখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- পাওমিনলেন হাওকিপ কৌবা মীওই অমনা এন.সি.এস.টিদা মখোয়গী শোইশিং শাদুনা ৱাকৎলম্বা অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবগী ৱাফম মীওইশিং অসিনা ফোংদোক্লমখি। হায়রিবা ৱাকৎ অদু চৎনহন্দনবা হোৎনবীনবীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিদা ত্রাইবেলগী তোঙান তোঙানবা লুপশিং অসিনা তকশিল্লম্মী।

তুংদা, মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদসু ফেদরেসন ওফ হাওমীগী মীহুৎ কাংবুশিংগা মুখ্য মন্ত্রিগা খন্নখি।

ববিনা (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শজিৱা জেল মনাক্তা লৈবা ববিনা হোস্পিতাল ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- পি.এম.জে.এ.ৱাই অমদি সি.এম.ঐচ.টিনা লাইরবশিংগী অনা লায়েংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। লায়েংবদা শেল তিংবা অমদি লায়েংবা ঙমদবা মীওইশিংগীদমক সি.এম.ঐচ.টি হৌদোকখিবনি। মহাকা হায়- হকচাং ফবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওই। হেথল কেয়ার সেক্তরদা মণিপুরনা মালেমদা লমজেল য়াওরকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম হৌজিক য়ামা অৱাবা মায়োকরি। ইং ২০১৭ কী মার্চ ১৫ দা মহাকনা মুখ্য মন্ত্রি হেক

ওইরকপগা মণিপুরদা অহোংবা পুরকবা হায়দুনা গো টু ভিলেজ অমদি গো টু হিলস হৌদোক্কুনা দোর ষ্টেপ গভর্নেন্স হৌদোকখিবনি৷ মহাকা হায়- লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা রিং রোড শেমদুনা চাওখৎনবা হোৎনরগনি। হৌজিক লমফেলপাৎ শেমগৎতুনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। মসিদসু নত্তনা লুপা কোতি ৩৬ চংনা ৱাইথৌ ৱাটর বোদি শেমগৎপা হৌরে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়- রাজ্য অসিগী মীয়াম অসি হিরম খুদিংমক্তা য়ামা হৈথোই শিংথোইবা অমদি মালেমদা চাংদমবদা নোপতবা ঙাক্তনি। অদুবু অমনা অমবু পুকিং থৌগৎনবগী মহুৎতা চিংথনবা হোৎনবা মীওই কয়া য়াওরি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- বি.জে.পি সরকার লাকপদগী মণিপুরদা শান্তি রক্সাগী ফিভম য়াওনা হিরম খুদিংমক্তা ফগৎলে। হৌজিক লৈরিবা ঐখোয়না ঙসি খক্তগী খনদুনা থবক তৌবা য়ারোই, তুংগী মীরোলগীসু খনগদবনি। বি.জে.পি সরকার লাকপদগী মিস ফেমিনা মণিপুরদা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। মসিদসু নত্তনা দুরান্দ কপসু পাঙথোকখ্রে।

শ্রী বিরেন্না হায়- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা হৌজিক স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং পীরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ৬ হেনবদা ত্রেনিং পীখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মপানগী কম্পনিশিংদা মীওই ১০০ রোম থবক ফংখ্রে। মসিদসু নত্তনা রাজ্য সরকারনা এম.এস.এম.ইগী মখাদা মীওই লিশিং ২,২০৬ তা লোন পীদুনা মখোয়গী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ববিনা মেনেজিং দাইরেক্তরসু ওইরিবা চেয়ারমেন ডাঃ টি.ঐচ. ধবলিনা হায়- ইং ১৯৯৩ দা ববিনা ক্লিনিক লেবোরেটরি অসি শুপগী ষ্টাফ অহুমখক্তনা হৌদোকখিবনি। মদুগী মতুং ইং ২০০৭ তা ববিনা হেলথ কেয়ার এন্দ হোস্পিতালিতি হায়না রেজিষ্টর তৌখি। তুংদা এ.ও.আইগা খুৎশমদুনা ববিনা স্পেসিয়েল হোস্পিতাল ওইনা ইং ২০২০ দা লিংখৎখিবনি। ঙসিদি ববিনা মল্টি স্পেসেলতি হোস্পিতাল ওইবা ঙমলে।

শঙ্গাবা অদুদা হকশেল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন অমদি এম.এল.এ- থাংজম অরুনকুমার শরুক য়াখি।

সিএম (এল) ঃ মোরেদগী লাঞ্জেন্নদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংতা লৈরিবা মীওইশিংগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মীওইশিং অসিনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু সরকারনা অথুবা মতমদা য়েংশিনদুনা থবক ওইনা পায়খৎলগনি। মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা হোৎনরি।

অমরোমদা, অকামপাৎ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগসু মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিংগী মতাংদা খন্নখি। মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং লৈরকপা মতমদা সরকারগা পাউ ফাওননবা হোট লাইন অমা থমনবা ৱাফমসু উন্নবা অদুদা য়ান্নখি।

ইমো (এল) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা হৌদোকখিবা অনা লায়েংগী তেংবাংগী মখাদা ঙসি মীওই ৯ দা লুপা লিশিং ২০-২০ গী শেনফমশিং য়েন্থোকখ্রে। ঙসিগী অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৫০ দা হায়রিবা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহনখ্রে।

নোং (এল) ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। ঙসিগী ওইনা সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর, জিরিবাম অমদি ফেরজোলদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। হয়েংগী ওইনা উখ্রুল সেনাপতি অমদি তমেংলোং জিলাদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে অদুগা অতৈ জিলাশিংদনা অখাক অরাউ য়াওনা য়ামা কন্না নোং চুগনি হায়রি।

লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবদা চেকশিন্নবা ৱাফমসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

পুলিস (এল) ঃ  নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৭৭অমদি নেসনেল হাইৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা গাড়ি ২৩৫ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে। নেসনেল হাইৱেশিং অসিদা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিনদা অপনবা লৈতনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি হায়না মণিপুর পুলিসনা হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- চীং অমদি তমগা তাইনবা মফমশিং অমদি ইরাং লৈবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুন্বগী থবক লেপতনা চথরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোকখিবগী পাউ লৈখিদে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চ্যেক পোইন্ট ১০৩ থমলে। মসিদা অচৎ অওকশিং লেপ্পা লৈতনা চ্যেক তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- পুলিসতগী লাকখিবা নোংমৈ, নোংমৈ মরু অমদি পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন নত্রগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা অথুবদা পীখৎলক্কদবনি।

এআর (এল) ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংকোত ভিলেজদা সেক্যুরিতি মিট পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মফম অদুগী ভিলেজ চীফ ১৩ না শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী লমজেলদা মায় পাকা চংশিন্নবগী মতাংদা খন্নখি। ভিলেজ কমিতিগী মাইকৈদগীসু মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা খুঞ্জাশিংনা থৌনিখি অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদসু শৌগৎকনি হায়নসু খুঞ্জাশিংনা ফোংদোকখি।

শেংবা (এল) ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসন অমদি এম.এল.এ-খোঙবানতাবম ইবোমচাগা খুৎশমদুনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী নাক য়েৎতা

লৈরিবা অমোৎ অকায়, অশোংবা মফমশিং শেংদোকপগী থবক চথখ্রে। থবক অদু লম্লাই পুলিস ষ্টেসন গেটতগী হৌরগা লম্লাই ফৌহাবী থোং ফাওবা চথখি হায়রি।

ডে (এল) ঃ  মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু মমাগী খোল্লাং পীথকপগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী নুমিৎ অসিগী হিরমদি- ক্লোজিং দ গেপ ব্রেষ্টফিদ্দিং ফোর ওল হায়বসিনি। পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুল মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা প্রাইমারি হেলথ সেন্তর খুরখুলনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

মোইরাং (এল) ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং কেন্দ্রগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেট-আই.দি.পিশিংদা মশা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈজনবা হায়বা পান্দমদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- থোঙাম শান্তিনা ঙসি খনগৎলবা মীওইশিংদা কেন্দল শানবা মেছিন, ফুরিৎ তুনবা মেছিন অমসুং মোরা অমদি প্লাষ্টিক বেগ লোন্নবা মেছিন্নচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কেন্দ্র অদুগী মীওইশিংদা হেলথ কার্দ, জিঙ্খ্ব অমদি ফি তুনবা মেছিনশিংসু খুৎশিন্নখি।

অপোকলোন (এল) ঃ  মীতৈ থাপা লোনগী থাসি নুমিৎতা পাঙথোকপা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ হয়িং খোঙবালগী তিন্না মীফমদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অমদি ঈশিং ঈচাউগী চৈথেং ফংলবশিংদা লেমা অপোকলোন ফংহনখ্রে। মীতৈ থাপা লোনদা পাঙথোকপা মীফম অসিদা মীওই ২৫ দা অপোকলোন (কুঠি) শিন্নখিবনি। মোরে, তোরবুংনচিংবা মফমদগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগীদমক মখা তানা অপোকলোন পীননবা থৌরাং তৌগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মরুওইবা থৌমীশিং অমদি অমাইবা অমাইবী কয়াসু শরুক য়াখি।

ককচিং (এল) ঃ ককচিং লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব ১৮ গী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা ওল ককচিং ক্লব কোওর্দিনেতিং কমিতিগী অহানবা ফাউন্দেসন ডে থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। কমিতি অসিগী জেনেরেল বোদি মীফমসু পাঙথোকখি।

ককচিং ময়াই লৈকাইদা লৈবা মল্টি পরপজ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বর, কমিতিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ধর্ম্মদাস, সেনিয়র সিতিজন্স ফোরমগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম নিমাই শরুক য়াখি।

এময়ু (এল) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচর ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টনা চথুরকপা ৮ শুবা লিটরেরি কলচরেল এন্দ স্পোর্টস মিট ঙসি লোইশিনখ্রে। নুমিৎ মরিনি চথুরকপা থৌরম অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা লিটরেরি, কলচরেল অমদি শান্ন-খোৎনবগী তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা সার্তিফিকেট অমদি তকমানশিং খুৎশিন্নখি।

বঙ্গলাদেশ ঃ বঙ্গলাদেশকী ধাকা য়াওনা মফম খরদা ঙসিদগী হৌদুনা মতম কক্তনা করফিউ থমজিনখ্রে। করফিউ থমজিনখ্রবা মফমশিং অদুদি- চিতাগোং, সিলেট, রংপুর, রাজসহি, বরিসাল, ফুলনা অমদি মাইমেনসিং লোয়ননা অতৈ সিতি কোর্পোরেসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিং য়াওরি। মসিগী মথক্তা পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন মন্ত্রালয়নসু লৈবাক অসিদা নুমিৎ হুমি ছুতি লাউথোকখ্রে। বঙ্গলাদেশ টেলিকম্যুনিকেসন রেগুলেটরিনা মোবাইল ইন্তরনেটশিং থিংজিনখ্রে। অদুমকপু ফোন তৌবা য়ানবগীদমক টু-জি সার্ভিসতি ফংহল্লি।

লৈবাক অদুদা নন-কোওপরেসন মুভমেন্ট থোরকপদগী মীওই ২০ লৈখিদ্রে অমদি মীওই ১০০ গী মথক্তা অশোক অপন নংলে। প্রধান মন্ত্রি শৈখ হাসিনানা নেসনেল কমিতিগা উন্নদুনা সেক্যুরিতিগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। মদুদা মন্ত্রিশিং, প্রধান মন্ত্রিগী সেক্যুরিতি এদভাইজর, সেক্রেটরিশিং, চীফ ওফ আর্মি, নেভি, এয়ার ফোর্স, বোর্দর গার্দ বঙ্গলাদেশ, পুলিস অমদি কোষ্ট গার্দ য়াওখি।

হেলথ ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিং রোড, এয়ার, রেলৱে অমদি ৱাটর ৱেজগী খুথাংদা পুনবা এস.ও.পি অমা থোকখ্রে। এস.ও.পি অসি নিতি আয়োগ, মরী লৈনবা মন্ত্রালয়শিং অমদি ট্রান্সপ্লান্ট প্রোফেসনেলশিংগা তান্নরবা মতুংদা হকশেল মন্ত্রালয়না থোকপনি।

হেলথ সেক্রেটরি অপুরভা চন্দ্রনা হায়- মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিং পুথোক পুশিন তৌবদা ষ্ট্রিমলাইন তৌদুনা তঙাইফদবা অনাবশিংদা ফংহন্নবগীদমক সরকারনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। কনাগুম্বনা হকচাংগী কয়াৎপু এয়ারলাইন্সতা পুগে হায়রবদি চৎন কাংলোন অসিগী মতংইন্না এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোলগা হান্ননা পাউ ফাওনগদবনি। মসিগা মান্ননা কংফাল লম্বী, রেলগাড়ি নত্রগা ঈশিং লম্বীদা মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিং পুগে হায়রবদি চৎন কাংলোনশিং অসি চপ মান্ননা ঙাক্কদবনি।

রাস্ত্রপতিঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী লৈবাক অহুম-ফিজি, ন্যুজিলেন্দ অমসুং তিমোর লেস্তেগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

মহাক্কী খোঙচৎকী অহৌবা নুমিৎতা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ফিজিগী নাদিদা থুংগনি। রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অদুগী কোনুং সুভাদা লুচিংবা কয়াগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। শ্রীমতি দ্রৌপদিনা ফিজিগী সংসদতা ৱা ঙাংগনি। তুংদা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শাগনি।

ন্যুজিলেন্দগী ৱিলিংতনদা রাস্ত্রপতিনা মালেমগী মহৈ মশিং তম্বগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি অমদি লুচিংবা কয়াগা ৱারী শান্নগনি। মহাকা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু ৱারী শান্নগনি।

তিমোর লেস্দেসু শ্রীমতি মুরমুনা কম্যুনিতি রিসেপসনগী থৌরম অমদা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অসিগী এক ইষ্ট পোলিসিদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়রি।

ওলিম্পিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিক্স গেমসতা চিনানা সনাগী ১৬, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৩৭ ফংদুনা মাংজিল থারি। আমেরিকানা সনাগী ১৪, লুপাগী ২৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৬১ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা ফ্রান্সনা সনাগী ১২, লুপাগী ১৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৬ পুন্না তকমান ৪২ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংদুনা ৫৪ শুবা মফমদা লৈরি।

ভারতকী অমত্তা ঙায়রবা বেদমিন্টন শান্নরোই-লক্ষ্য সেননা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টোকিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদালিষ্ট দেনমার্ককী ভিক্তর এক্সেলসেনগী মখুৎতা মায়থিহৌরে।

------